ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ১৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৬৯শুবা মশীং

# ‘ইশান উদয়’ স্কোলরশিপকী ৱাথোক

## মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংবীবশিং চৈবুল পীয়ু

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন (এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি) অসি চহী খরগী মমাঙদদি মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিভেলপমেন্ট (ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রি) হায়না খঙনরম্বনি। অনৌবা লৈবাকসিগী এদ্যুকেসন পোলিসি হৌদোরকখিবগা ইরোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিগী মমিং হোংদোরকখিবনি। মিনিষ্ট্রি অসিনা পায়খৎকদবা অমসুং পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম পূম্নমক লৈবাকসিগী মহৈরোয় খুন্নাইগীনি। তুংগী লৈবাকসিগী অফবা, তিঙ্ঙং কায়জংদবা, অচঙবা য়ূম্বীশিং ওইহল্লক্নবগীদমক্তনি। অদুবু হৌজিক ষ্টেটসিদা ৱাথোক ওইরক্লিবা ‘ইশান উদয়’ গী স্কোলরশিপকী স্কিম অসিদি হৌজিক এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি হায়দুনা মমিং ওল্লবা মিনিষ্ট্রি অসিনা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রি হায়দুনা খঙনরিঙৈ কুমজা ২০১৪-২০১৫দা হৌদোকখিবনি। মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা পীগদবা স্কিম অসি চাওখ্রবা লৈবাকসিগী লৈরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী নত্তে। শুপ্নতগী অৱাং-নোংপোক রিজনদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি খক্তগীনি। অখন্নবা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী হায়র ক্লাসশিংগী লেভেলদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংদা মখোয়না ষ্টদিদা ঙাক্লৌ ওইজনবগীদমক পীগদবা শেলগী তেংবাঙনি। স্কোলরশিপ অসিগী মখাদা পীগদবা খুদোংচাবশিংনা অপূনবা রিজনসিগী মহৈরোয় লিশীং ১০দনি। মসিগী মনুংদা মাগী মাগী ষ্টেটশিংগী স্যেরনা ষ্টেট ষ্টেটতুগী লৈজরিবা পোপ্যুলেসন অদুগী মতুংইন্না লেপথোক্লিবনি। অদুবু মণিপুরগী একাদেমিক সেসন ২০২০-২১গী ওইনা স্কোলরশিপ অসিগীদমক মহৈরোয়শিংনা এপ্লায় তৌনরকপদা মখোয়গী মার্কশিটশিং য়াওনা তঙাইফদনা চঙবা দোকুমেন্টশিংদা অরানবা, শেমদোক শাদোক্তুনা নমথাক তৌবা য়াওরম্লে হায়বনি।

হায়রিবা থৌদোকশিং অসি থোরকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হায়র অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টোরেটনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মরি লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট তৌরকপনি। ৱাকৎসিগী মতুংইন্না পুলিসনসু রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে। চেন্নবনি হায়বা হিয়াংথাংগী কামখ্য পেমতোন কোলেজগী ওজা অমা ফাগৎপা লৈখ্রে। হৌজিক কোলেজ অসিগী হেদ ক্লার্কসু ফাননবা হোৎনরি। চেন্নবশিং মথং-মথং ফাগৎলকখিগদৌরি। ফাগৎলকসনু, পুলিসকী তৌফম থোকপা, লৌখৎফম থোকপা থবকশিংনি। কেসসিগী মতাংদা চখফম থোকপা ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিং মপূং ফানা চখরক্তুনা কেসসিদা চেন্নরিবা এক্যুইজনি হায়বা মীওই পূম্নমক্কী মথক্তা মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংগী মখাদা চার্জশীট ফ্রেম তৌগদবনি। ক্রিমিনেল ত্রাইয়েল কোর্টতা ৱায়েল চখনবগীদমক সবমিট তৌরক্তুনা ৱায়েল চখগদবনি। মরালগী পীফম থোকপা চৈরাক ফংহনগদবনি। মতুংদা অসিগুম্বা অরানবশিং অসি তৌবা য়াদে, লৈবাকসি মপু পাল্লি, লো চৎনরি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

অদুবু, মসিনা পুলিসকী কেস অসিগা মরী লৈনবা থবক-থৌরমশিং ওইজখ্রগা হায়রিবা অরানবা, নমথাক্কী থবকসিবু মহৈরোয় অমা অনীখক্তনসু নত্তনা মহৈরোয় ১০০ হেনবনা পাক্তক্ননা কম্মিট তৌরুরিবা করিগীনো? থৌওংসিবু ষ্টেটসিগীদা নত্তনা লৈবাকসিগী হ্যুমেন রিসোর্স, এশেট ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসিবু লান্না লমজিংবিবদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুরগী মহৈরোয় খুন্নাইগী ইকায়খুম্নবা ষ্টেটসপু লুকমাইদা হাপ্লগা য়োনবগী থৌদৌ নত্তে হায়গদৌরিব্রা? পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা চেন্নবশিং ফাগৎপা খক্তা নত্তনা ওইদবা, অরানবা থৌদোকসি কনানা করিদগী মতৌ করম্না তৌরুরিবনো হায়বসিসু থিদোক্কদবনি। মসিনা অসিগুম্বা থৌদৌ অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দবা ঙমগদৌরিবনি। স্কোলরশিপ অসিগী লুপা লিশীং ৫ অমসুং ৭ হেনবগী থাক অনীগী শেনফম লেম্না ফংগদৌরিবনি হায়দুনা তৌরুরিবা অরানবা থবকসি অতাবা পূম্নমক্না ইকায়বা পোকই। ফংফম থোকপনা ফংজসনু। ফংফম থোক্তবশিংনা ফংজদবা হায়বসিদি মশানা তাবা স্কোলরশিপ অসিগী রুল অমসুং গাইদ লাইনদা য়াওজবা পোৎনি। মহৈরোয়শিং অসিদা ইনশিনবীবা, লান্না লমজিংবীবা য়াওরমগনি। মখোয়দু চৈবুল পীজহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১) *“রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) *“লীশীং অমা শুপ্না মরিফুমরিগী মমা”* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি *“লম্বীসিদা”* হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো?

৪) *“ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমন্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।”* শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লুৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা *“মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম”* গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সভেন্থ পে পীদ্রবদি, কয়াম কুইনা মৈ মমহনগনি

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক্কী কোরোনাগী মতাংসিদি মীয়ামশিংসি হায়ফেত্তি ৱান্নবা জাৎনি। ঐ খক্তরা, ঐগী ইমুং মনুংখক্তরা অসুক ৱাবসিবু হায়না খল্লুববু মীয়ামসু অদুম্মক ৱানরম্মী। হৌজিকপুদি খরা শাফরে। নোর্মেল লাইফতা হঞ্জিল্লকপগুম খল্লে। হৌখিবা থা ৪/৫দুদি করিনোনে অমুক্তোইবা অরোইবীনি। মীয়ামসু ইশা-ইশানা থেংনবিরিবদুমঙাই। নোংঙাল্লকপা, নুমিৎ তাবা ফাওবা ঙায়বা অদুগা অহিংগী শাংলবা মতম লেনবদা ৱাবা, চহী অসি খরা খরা অসুম হাপচিল্লকপরা করিনো ঙাইহাক উইরোং উইরোং তূল্লি-তূল্লিরম্বদগী মীকপ থোরকপদা অমুক হন্না তুমথবা য়াদবা, কয়াদি ৱানা খাঙখ্রে। ৱাখলসিনা পংখন্দা খঞ্জিনবা, মিৎতনা করি করিনো জাৎ-জাৎ উরকপা, মতাং অদুৱাইদা নাকন্দা তূল্লিবা মখোয়না কয়াদা নুংঙাইনা সাউন্দ স্লিপতা তূম্নবা, তূম্বা য়াদ্রবা ঐনা মখোয়গী খূৎতুমদু উবদা কয়াদা কল্লকচবা, করিনো ঐসিবু ইন্সোমনিয়া লায়নানা নারবা জাৎলা খল্লকপসু য়াওরকখি।



তূম্বগী মতাংখক্তগী ৱাসু নত্তে, চাবদসুনি। চাবা হায়রা অরৈ-অরৈবা পংচাদা চাশিনবী, পংথক্তা থকচিনবীনি। থবক্তি লৈত্রবনিনা কৈদৌনরুনি, মপানসু থোকপা য়াবা নত্তে কর্ফিয়ুনিনা। নোংমগী করি থোংলগা, করি ঙৌরগা, করি তাউরগা, করি মেৎলগা হাওগনি খনবশিংদু থিরগা, লৈরগা, হেক্লগা নুংতিগী অদুম হোৎনরেদনা। হায়রিবশিং অদু লৈঙাক্লা য়ূমদগী মপান থোরক্কনু লাউথোক্তুনা পুলিসনা হঙ্গৎ-হন্দা পেট্রোল চৎলিঙৈ মতমনি। মদুগী তূল্ল-চার, থল্ল তৌবগী মহয়না হকচাংগী ফিগরসি ফজরে। খৌরি চেংলগা, থবাক চপ্লগা পুক্লা অসুম অসুম তোংথোরক, সনাবুল ফিগর ফজনা তারে। খোংগ্রাওগা শেৎচিল্লুবদা অমত্তা চাদ্রে। খ্বাংগী পুক্কী কোচি পানবা য়াদ্রে। শেৎচিল্লুবা খোংগ্রাও পোকখায়বগী ফীভমদা লৈরে। অদুগা লৈজরম্বা শেল খরসু কায় কায়দুনা চাবগা, থকপগা, লৈবগদা অয়াম্বা শরুক লোইশিনখ্রে হায়বা য়াই। লৈজরম্বা শেল কয়া য়াম্না লোইশিনখ্রগে হায়বদা শেল চিংথোক্লবা এ টি এম কার্দ চপখ্রে। নম্লুবদা শেল য়াম্না পাইথোরকউ য়াদ্রে। হায়রিবা পঞ্জখিবা থৌদোকশিং অসি ইশা ইথক্তদা থোকপা ওইরম্লোই। অদোম অদোমদসু থোক্লমগনি খল্লি।

কোরোনাগী লাইচৎ মনুং অসি শেল য়াম্না চৎলি। খরা খরা লাকচবদুসু চৎকদবগী মখোঙ থাঙ্গৎলগা ঙাইবগী ফীভম হায়বদুদা তারে। কোরোনা মনুংদা অঙাংশিং, ইচাশিংনা মরোল অমা অহাওবতা খন্দুনা চানবদা হোৎনৈ। মোবাইল ফোনদা কিৎ কিৎ নম্লগা করি করিনো পংচেন্দা চেল্লি। অতাউবা, অঙৌবা, অফূৎপা পোক, চিক্কন, ঙানু থোংবদগী হেন্দোক্তুনা রোষ্টেদ য়েন মপুম ফাওবা হোম দেল্লিভরি তৌবা লাকই। শেলগী ৱারা মপা ঐঙোন্দা তাল্লক্কনি। লুপা কয়াগী ওর্দরনো থোঙ্গালদা কৌথোরকইবসিবু ইবেম্মা হংলুববু - “রুপিস ৱান থাউজন ওনলি, বাবা” হায়না খুল্লক্কনি। অসিদসু নত্তে মখূৎতা মোবাইল ফোনদু পায়রবনিনা অপাম অপাম্বদা খল্লগা ওর্দর তৌশিল্লুনি, খোঙউপ, ফি-রোল, কেনবা, মৌনবা, চাকখুমগী য়ুটেন্সিল, দেকোরেটিভ প্রদক্টশিং, মোবাইল ফোনগী মরী-মরাং, নাকোংদা থেৎচিন্নবা করি করিনো পংচেন্দা চেল্লি। ইচানুপীনা কোরোনা মনুংসিদা চেন্দবা পোৎ হায়ববু লিপষ্টিক খক মঙায়রে। ইচানুপীনা হায় - “বাবা, দুকান্দা হৌজিক লিপষ্টিক অমত্তা শিৎত্রবনি। নুপী অমত্তসু লিপষ্টিক তৈনদ্রে, তৈরুদনা, কেরুদনা কৈদৌনরুনি। মাস্কনা চিন খুমজিনখিগদবা মরৈরে। ঐসু লিপষ্টিক তৈদ্রে বাবা!’ অসিনি।

মথক্তসু পঞ্জখিবশিং অদুনি হন্দক্কী লায়না লাইচৎ অসিদি লায়রবসু, ইনাকখুনবসু, ইনাক খুন্দবসু, তোলোপ চাবসু, চাদবসু পূম্নমক ৱামিন্নবনি। লায়না অসিনা নাবদগী লায়রবসু অদুম শি, ইনাকখুনবসু অদুম্মক শি। মরল মথুম পৈদুনা থম্বা খরা নত্তনা অয়াম্বা ইমুং পূম্বা ৱাদবা অমত্তা য়াওদ্রে হায়বা তাই। তৌবতবু লায়না লাইচৎ অসিগা চান্ননা থোকপা থৌদোক ওইনা বিধান সভাগী ইলেক্সন নকশিল্লকপগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর, মন্ত্রি-মন্দল ওইবশিং, এম এল এ ওইরিবশিং, ওইখ্রগা ভোট কাহৌদবশিংনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থোরকপীরকপসিমদি তশেংনা নুংঙাই। কোরোনাগী মহীক্লা ওৎপীরিবা অনাবশিংগী লায়েংফমদা চৎতুনা অচা-অথক য়েন্থোকপীবা, অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা চেঙ, হৱাই, আলু, তিলহৌ, থুম, মোরোক, ঙারিদগী হেন্দোক্তুনা য়েরুম, ঙা, য়েনগী মথক্তা ঐখোয়গী এ সীদদি অনাবনা চানবা হীদাক মহী-মপং, গুলি ফাওবা য়েনবীবা ঙম্বা মীয়ামগীদমক অৱা অনা তারবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংজরগে থোরকপা সোসল ৱার্কর য়াওরি। মখোয়বু ঐনা থাগৎচৈ। য়ারিবমখৈ মীয়ামগীদমক অৱা অনা তারবশিংগীদমক থম্মোয় শেংনা কৎথোকপীয়ু হায়বসিনি। মখোয়না কৎথোক্লিবসি অচা অথক খক্তগী ৱাসু নত্তে, শেলসুনি। শেলসু য়াম্না পাংবা ঙম্বা থোরকই। অনাবগী লায়েংনবা লুপা লিশীং ১/১০/২০ হেন্দোক্তুনা ৫০ ফাওবা পীনরি। পীথোকপীয়ু, লৌশিনবীয়ু অসিনি। মীদি মতেং পাংজগে হায়রবনি, দরকার ওইবসু লৌবীয়ু। দরকার ওইদ্রগনা লৌবীরুনু। অতোপ্পা লায়র-অনংগী চৈফু নংলবশিংদা পীবিরুচো হায়বিয়ু। কনাগুম্বনদি হায়বা য়াওই, ভোট ময়াদা তৌশিন্নরিনি, কাখ্রগা শেল হঞ্জিন্নবা হোৎনরক্কনি। অদুবু শেল চাগে চাও, চারোই তোকউ মতেং পাংগে লাকচবদা কৈদৌবৈ থীনা চৈদোইনো? চৈবীরুনু!

হন্দক্কী চহী অনী ফারক্কদৌরবা অৱা-অনাগী চহী হায়না পুৱারীদসু ইরগদবা মতম অসিদা শেলগী দরকার ওইনবদগী নুংতিগী জাৎ জাৎকী ৱারী তানরিবসিনি। তোলোপ পিক্লা চাজবশিংসু তোলোপ হেঙ্গৎনবগী জু শেন্নবা তোকচরগে হায়দনা লাইরেন অচৌবা অমা থাদোকপগী লম্বী লান্থোক্কদবগী মওংদা লৈবা ৱাটসএপতা থারকপা ক্লিপিং অমা থেংনখি। পাউ পাবা নুপা অদুনা লাউথোরকই - করিগুম্বা জু শেন্নরিবা ঐখোয়গী তোলোপ হেনগৎপীদবা তারগদি জুদা থল্লিবা শা-শিং মথং মথং থাদোকচরগনি। মদুগী পাউদু ফাগীদি মাল্লি অদুবু কিবা অমদি ফাওরকই। তোলোপ হেঙ্গৎলু য়াদে হায়দুনা ফায়র বৃগেদ কাঙবুনা য়ূম মৈ চাকপদা কনবা লাক্তুগনা কমদৌবা তাবা। ডাক্তর, নর্সনসু তোলোপ হেঙ্গৎতে, ওপরেসন তৌররোই হায়রল্লগদি অনাবদু হিংগদ্রা। অঙকপনি তোলোপ হেঙ্গৎত্রগদি ঈশিং থাররোই, প্রজাশিং ঈশিং থিংজিনজরে কা হায়বা ৱাতাসি থেংনখি, য়াম্না চাওখৎতে।

ঙরাং নহান্দসুনি। সভেন্থ পে পীদ্রগদি মৈ থাররোই, প্রি-পেদকী কাউন্টর থিংজিঞ্জরে, মৈ ৱায়র তৎলসু তাদুনা লৈরগসু মৈ শেম্বা লাক্লরোই হায়বগী খোঙজং চঙশিনখি। লৈঙাক মাসু পীফম থোকপা তোলোপ তরেৎশুবগী তাঙ্কক অদুদি পীগদবা লৈরবসু কোক পীথোকখ্রোদনা। দিপার্টমেন্টকা লৈঙাক্কা য়েৎনবদা প্রজাশিং কাঙদ্রুম ওলহনবদি লানগনি। ঐখোয়দি নহোয়দগী হান্না শেল পীরগা মৈ লৈবনি। অদুনবু প্রি-পেদ হায়রিদুনি। মৈ লাক্লে লাকউ, লাকওই তোকউ থা অমগী ককফম থোকপা শেলদি অদুম ককই। মৈ থারক্তবগী শেলদি কোমথোক্তে। শেল কক্কদৌগী অদুম ঙাইদুনা লৈবীনি। ঐখোয়সু এদভান্স ওইনা লুপা ১০০০/২০০০গী শেল থিরগা ককতৌ শরুক শেন্দোই শান্দোক্লগদি অঙাংশিংগী ঙামোক্তং চাবসু কোন্নগনি। হৌজিকপুদি সভেন্থ পে পীরগনি য়ানখ্রে, হরাওনখ্রে। মতুংদদি শেল হান্না থিজিলহল্লগা মৈ পীরোই হায়বদি চৈবুল চারকপসু য়াই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩৪

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ৱারেংজরিবা ইশানা হান্নদগী হায়দুনা লাকপা ৱাফম অমদি - “ইনাৎ লাইনীং লীচৎকা মালেমগী ওইনা লৈরিবা অতৈ অতোপ্পা লাইনীং লিচৎকা হীরম অয়াম্বদা মান্নদবনা অশেংবা লাইনীং চৎপা মশেল অমনা অমদা য়েৎশিন্নদ্রবদি করিসু কায়দে। কায়রিবদি ফুরুপ মান্নরগা মান্নদবা মীরমগী লাইনীং লিচৎ চৎলগা ফুরুপ মান্নবগী মিংদা মরিং মরাংবা থৌরমশিং তৌশিল্লগা অশেংবা ইনাৎকী লাইনীং লীচৎ মাঙহন্নবা হোৎনবসিখক্তনি। লান্না ইনাৎ/কলচরবু মালেমদা ফুরুপকী মিংদা শক তাক্লবা হোৎনবসিনি। মতাংসিদা তঙাইফদনা থমজনীংবা ৱাফম অমদি “চহী খরগী মমাঙদা লাইরিক লাইশু হৈবা, থিজিন হুমজিনবা মীওইশিং লৈত্রা খল্লম্বদুগী ওন্ন-তৈনবদা মতিক চাবা মীওই কয়া লৈরবনিনা ইনাৎ/কলচর মান্নবা মখৈ মফম চাবা অমদা মতম খরা চঙনা পুল্লগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হৌরক্লোন্দগী লৈরকপা মালেমদা তোমথিন ওইনা শক তাকনীংঙাই ওইবা লাইরিক (মরু ওইনা ইংলিসতা) অমদি জগোয়, ঈশৈশিং ময়েক্কা কোন্ননা পুথোক্লগা মালেমগী ওইবা প্লেটফোর্ম-য়ুনেস্কোদা অশেংবসি অসিনি হায়বসি খঙহনবগী মথৌ তারক্লি। মতমদুদা ইরমদমসি মালেমগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা লাইগী লৈবাকনি হায়দুনা লাকইবসি শোয়দনা মশক খঙলক্কনি। লমখাংদা চঙশিল্লকখিবা মুকশন লাইনীংনা ইরমদমসিগী অশেংবা লাইনীং লিচৎ ওইনা মশক তাকপা য়াফম থোক্তে হায়না থমজগে।”

তরেৎশুবদা, লম্মখাংদা মণিপুর কৌরবা লমদমসিগী মীশিং য়াম্না তম্পাক্কীদা লৈবা মশীং য়াম্বা ফুরুপসিগীদা অমুক অশেংবা ইনাৎকী মশীংনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি নত্তবা মুকশন লাইনীং চৎপশিংগী মরক্তসু অমনা অমবু নমথনবগী অরোনবা মওংদা চখনবা উদবা নত্তে। অমনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী শেল পায়বা ইমুংশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা চৎনবা, সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা হিন্দুগী হোলি বুককী ইলিমেন্টশিংবু সাইন্সকী থিওরিদা পানশিল্লগা মালেমগী অতৈ লৈরিবা লাইনীং লাইশোনবু য়ারবদি য়োৎশিন্নবা হোৎনবা মওংদা শেমগৎপা/অদুম ফজে। ষ্টেটসিদা ইস্কোন চঙলক্ত্রিঙৈদো অয়াম্বনা হিন্দু লাইনীং চৎপা ওইনা লৈরকপসিদা হীরম খরদা মান্নদবা/খেন্নবা উই। মালেমগী থাক্তা লৈরিবসিদনা মীগা মীগগী মরক্তা অনেম অৱাংসি মশানা লাইনীং লিচৎতুদা খঙ হৈবগী থাক্লা লেপ্পসি ইনাৎকী লাইনীং লিচৎ চৎলবসু সাইন্টিফিক ওইবসিনা হেন্না ফৈ হায়নীংই। পামদি শুকপাম পামদে/পামদবগীসু মরম অদুম লৈ। অদুবু হায়রুবা কান্নদবনা অতোপ্পা লাইনীং লিচৎকী মরমদা অপান্ননা হায়নীংদে। অতোপ্পা ফজবা লিচৎ অমদি অশিবা মী অমগা অহিংবা মী অমগা অনীগী মশক তাকপদা ৱাহন্থোক খেন্নবা নত্তবিদা থবক্কী থৌওং (ৱার্কিং প্রিন্সিপল) দা খেন্নবগী মতাংদনি। সাইন্টিফিক ওইবনিনা ফজবা হেল্লি। “লাইনীং লিচৎ মান্নদ্রবসু, সাইন্টিফিক ওইবা হিন্দু লাইনীং লিচৎ অমদা মশানা পাম্না চৎচরিবা লাইনীংদুগী খঙ হৈজবা, পামজবা মওংদা - নুপাবু ওইগেরা, নুপীবু ওইগেরা, অঙাং/নহাবু ওইগেরা মশা মশানা হিংলিঙৈদা লাইনীং লিচৎতুগী ওইবা ফমথোনগী নত্তবদা ‘হিংলিঙৈদা কৌবদুনা শিরবা মতুংদসু কৌফম থোকই হায়না খনবদগী পন্নিংদা পন্নিংদনা দাস/দাসিনি/অতৈ অতৈ হায়না কৌরগা চাকহেন-ঙাহেন, ঙাক্কদবা কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবসিদি মরম য়াম্না চাই। সাইন্টিফিক ওই হায়বসি ককনীংঙাই ওইদে।”

নিপানশুবদা, মৈতৈ/মীতৈ ইনাৎ চৎপশিংগা চীংগী ইচিন ইনাওশিং, অহল-লমনশিংগা য়েৎননীংঙাই ওইদে, নুংশিনরোইদবা মরমসু লৈতে। অহোইনদুম হেন্না ঙাই-শেনগী ৱাখলদা নকশিন্না নুংশিননিংঙাইসু ওই। খুদম খরা ওইনা শন্নপ্না পঞ্জরবদা-

(i) মৈতিংঙু সামৈরাং (খৃ ৫১৮-৫৬৮) গী মতমদা খুমন নিংথৌ কাচেং ৱায়েনবনা চোথে থাংৱাই ফুন্নাল তেলহৈবেবু মরুপ শান্নসন্নদুনা খুমন নিংথৌগী য়ূমদা চাক্লৌবা নুমিৎতা হান্না শরৌ শিন্নরম্বদগী চোথে থংৱাই ফুন্নাল তেলহৈবগী মমিৎ অনীমক কোৎথোক্লবা মতুংদা অমুক নিংঙাই শংদানরকপদগী চোথে থংৱাই ফুন্নাল তেলহৈবগী তেন্না খুমন নিংথৌ অমদি মাগী নুপীবু তেন্না কাপ্পুনা হাৎপগী পাউ মৈতিংঙু সামৈরাংনা তাবদগী খুমন পুংদা খোংলেংলগা ফুন্নাল তেলহৈবেবু থেমজিল্লগা মখুন্দা থিনবীরুই। হাওকপ চীংশাং লাকপা চোথে ফুন্নাল তেলহৈবনা অৱাবা তাবগী পাউ লুৱাং নানপানা লংমাই নিংথৌ চনু পান্নদুনা পোকপা মচানিপা ফুন্নানপনা তাবদগী ফুন্নাল তেলহৈবগী মনাক্তা চৎলগা মপা শক্লা থৌগল তৌখি। মদুদা পেনবদগী চোথে ফুন্নান তেলহৈবা মশানা হৈবা মহৈ মশিন পূম্বা তম্বীরগা মখূৎশু লিরুংগা তেল উতোংগা লোয়ননা হাওকপ চীংশাং লাকপগী মথৌ মঙম্বু শিন্নরল্লগা ফুন্নাল তেলহৈবা থুপখ্রবা মতুংদা মপা শক্লা তৌখিবগা লোয়ননা চোথে ফুন্নানগী মিংলেন মঙান নাইবা লিরুং তেনবু শিন্নরম্মী হায়দুনা লুৱাং ফুন্নানপবু ফুন্নান তেলহৈবা হায়না কৌখিবদগী হৌজিক ফাওবা ফুন্নান চীংদা শঙলেন শাদুনা লাৎলিবসিনা তাকইবদি ফুন্নালগা মীতৈগা থাদোক্নবা য়াদবা লৈনরিবা মরীসি য়োকখৎকদবনি। (নিংথৌরোল ইনোৎ, লা ৫৬)।

(ii) মৈতিংঙু উরাকোন্থৌবা (খৃ: ৫৬৮-৬৫৮) গী মচা ইবুংঙোশিংগী মরক্তা মৈতৈ লৈমরেন খাবারোন নোংজেংসুগী অহুমশুবা মচা ইবুংঙো নাওথিংখোং (হোংনেম য়োয় খুঞ্জাও) সি খরা লমহেন তুহেনবা ওইবদগী মপাবুংনা ৱারক ৱাতেম্বদা কিনবা খঙনবা কোনুংদা লৈরগনু হায়না তান্থোকখিবদগী নাওথিংখোংনা শাওদুনা কোনুং থাদোক্তুনা চৎখ্রগা লোৎনা থুপ্না শেল্লোইগী অচোং য়ূমলেম্মম ৱাঙ্খৈ লান্থাবগী মচানুপী নোংবানলোন পিতংঙাবু লৌদুনা য়াওং ইন্দুনা লৈরম্মী। নোংমা মৈতিংঙু উরাকোন্থৌবগী মনাই নোংবান কাদেম্না খাবৈশোইদা লূ থুমদুনা ঙা ফারিঙৈদো নোংমাই লানলোইশিংনা থাঙঙা য়ৌখন অমদি হাওকপ চীংশাং য়ৌনা লোই চন্নবা লান্তাবা চৎপদা লম্বী অদোমদা লাকপদু উবদা কিবদগী নোংবান কাদেম্না মশাদা ঙা অপূম্বা তৈশিল্লগা নিংশা পিক্লা হোল্লগা অশিবা শাশিন্নদুনা লৈবদা শিরবোই নিংদুনা মখোঙনা কাওরম্বদু শেলোইশিংনা চৎখ্রবা মতুংদা কাদেম শোইশংবনা মৈতিংঙু উরাকোন্থৌবদা চেল্লক্তুনা তল্লরে। থৌদৌদু মৈদিংঙুবু উশিৎতবনি হায়বা ৱাহৌদগী মৈতৈ লান্মীশিংনা লুমদুনা লৈরগা করিসু থৌশাদনা হল্লকপা লংমাই লানলোইশিং অয়াম্বা হাৎলম্মী। হিংহৌবা মখোয় ১০ খক্লা হনখ্রগা পাউ তম্বদু তাবদা শেলোইশিংনা মৈতিং উরাকোন্থৌবগী মথক্তা লমন খুম্বদি ঙমদবদগী নোংমাই পিতংঙাগীদা য়াওং ইন্দুনা লৈরিবা থোংনেম য়োয় খুঞ্জাওবা (নাউথিংখোং) হাৎনবা হোৎনরকপদা নোংমাই পিতংঙাগী মফমদা মবুংঙোনা হয়েং ঐনা কংলৈ ফম্বাল কাবা মতমদা ওইনফম ফম্বাল লাংহনগনি হায়দুনা শরি পন্দোম লোম্নদুনা পুকমেন পাওমেন্নরবা মতুংদা পিতংঙানা য়াম্না হৈশিংনা য়ুমগী মনিংগী ফল্লাং হোগাইদুনা লোৎনা থুপ্না চেলহনখিদুনা মবুংঙোগী মথৱায় কল্লম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।